# ক্রোসিয়া প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, ব্রাজিলসু মায় পাকখ্রে, নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দ থোইখ্রে, অর্জেন্টিনাগী ফীভম লুরি




**Today's Match**

Belgium Vs Tunisia
Time :- 5.30 p.m.
South Korea Vs Mexico
Time : 8.30 p.m.
Germany Vs Sweden
Time : 11.30 p.m.



নাইজেরিয়াগী মুশানা আইসলেন্দগী গোলকিপর লাম্হোক্তুনা গোল চনখিবা



কোষ্টা রিকাগী গোলকিপর লাল্লগা ব্রাজিলগী নেমারনা টিম অদুগী ২শুবা পাঞ্জল চনখিবা

মোস্কো, জুন ২২ (এজেন্সী) ঃ ৱর্ল্ড কপ অসিগী মঙলান চাউনা মঙদুনা লাকখিবা অর্জেন্টিনাগী টিম ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী অনীশুবা মেচ অমদা ক্রোসিয়া পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা ক্রোসিয়া প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। গ্রুপ ঈদা ব্রাজিলনা কোষ্টা রিকা পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে। নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দ পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অর্জেন্টিনাগী ফীভম লুনা লৈরি।

মোস্কোগী নিঝি নোবগোরোদ ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা অর্জেন্টিনা অমসুং ক্রোসিয়া লম্বা তৌনখি। অর্জেন্টিনাগী টিম গ্রুপকী অহানবা মেচতা আইসলেন্দগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখিবনি। অমরোমদা, ক্রোসিয়াগী টিম নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা গ্রুপকী লুচিংবা ওইদুনা লাকখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নদুনা পাঞ্জল চন্ননবা হোৎনদুনা লাকখিবা অদু ঙম্নদনা লৈখিবদগী অনীশুবা হাফতা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অদু মখা চখুরকখি। শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী গোলকিপরনা কাওখৎখিগদবা বোল অমা নীংথিনা পালহৌদবদগী মনাক্তা লৈখিবা ক্রোসিয়াগী রেবিদনা বোল অদু কলেক্ট তৌরগা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী শোয়জখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকপদা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ক্রোসিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক চখুদুনা মেচকী ৮০শুবা মিনটতা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোয় ওইরিবা মোদ্রিকনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা অর্জেন্টিনাগী ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌবগী ৱাখল অদু লাপথোকপা হৌরকখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী অপীবা মিনট অহানবদা মখা তানা অর্জেন্টিনাগী দিফেন্স লাইনগী অশোয়বা অমদগী ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় রাকিটিকনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা অর্জেন্টিনা ০-৩দা মায়থীবা নংখি।

গ্রুপ অদুগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি। অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা নাইজেরিয়ানা আইসলেন্দগা অকনবা লম্বা তৌরদুনা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা নাইজেরিয়াগী টিমগী ওইনা অহানবা ক্রোসিয়াগা শান্নখিবা মেচতা শরুক য়াখিদবা শান্নরোয় অহম্মদ মুশানা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

আইসলেন্দগী টিম ৱর্ল্ড কপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপনি। মখোয়দা অর্জেন্টিনাগা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা দ্রো চংখ্রবসু নাইজেরিয়াগী মুশানা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদুনা টিম অসিগী শান্নরোয়শিং ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেচ অদুগী অপূনবা ফীভম য়েংলুবদা নাইজেরিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা আইসলেন্দগী শান্নরোয়দগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা এটেক চখুবগী মশীংসু য়ামখি।

শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী মায়কৈদগী মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অহম্মদ মুশানা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা আইসলেন্দবু ২-০দা মাঙজিল থাদুনা মেচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি। শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ১৫ অদুদা আইসলেন্দগী শান্নরোয়শিং য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

হোৎনরকখিবা অদুগী কান্নবা শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা ফংখি। টিম অদুনা পুশিল্লকপা বোল অমা পেনালটি এরিয়াদা ফাওল তৌরকপগীদমক পেনালটি অমা আইসলেন্দনা ফংখি। আইসলেন্দগী গিলফি সিগুর্দসন্না পেনালটি অদু চলহৌদবদগী আইসলেন্দগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা নিংহন্নবা চাউনা লৈখি। লেমহৌরিবা মতম অদুদা আইসলেন্দ পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা নাইজেরিয়ানা ২-০দা থোইখি।

গ্রুপ অসিদা অর্জেন্টিনা মেচ অনীদা পোইন্ট অমখক ফংদুনা লৈরি। মখোয়গী অরোইবা মেচ নাইজেরিয়াগা শান্নগদৌরিবনি। অমরোমদা, আইসলেন্দগী টিম ক্রোসিয়াগা শান্নগনি। অর্জেন্টিনানা ৱর্ল্ড কপ অসিগী প্রী ক্বার্টর য়ৌননবা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল য়াম্না হেন্দুনা থোইবা তারি। অদুগা আইসলেন্দ ক্রোসিয়াগী মখূৎতা মায়থীবা তাবনি। ফীভম অসি নংত্রবদি অর্জেন্টিনানা প্রী ক্বার্টর য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈতে। মেচ অনীমক করিগুম্বা দ্রো চংলবা অর্জেন্টিনা মযূম হনবা য়ারগনি।

ঙসি গ্রুপ ঈগী শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙল্লিবা ব্রাজিলনা কোষ্টা রিকাগা লম্বা তৌনখি। ব্রাজিলগী মায়কৈদগী কোষ্টা রিকাগী মায়োক্তা য়াম্না হেন্না বোল পুশিনবা ঙমদনা লৈখি। কোষ্টা রিকাগী টিম অদুসু মায় পাক্লবদি মখা তাবা ৱর্ল্ড কপ অসিগী প্রী ক্বার্টর য়ৌনবগী খুদোংচাবা লৈবনা মখোয়সু ফজনা শান্নরকখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু পাঞ্জল চন্নদনা লাকপদগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ব্রাজিলগী কোটিনোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং মিনট ৬ লৈরগা ব্রাজিলগী খ্বাইদগী মীয়াম্না পাম্নরিবা শান্নরোয় নেমারনা ইঞ্জুরি টাইমগী ৭শুবা মিনটতা য়াম্না ফজবা স্কিল উৎতুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা ২-০ দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৪ ফংলগা প্রী ক্বার্টর য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখি।

> ***সর্বিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দ মেচ (হাফ টাইম)***
>
> *গ্রুপ ঈগী সর্বিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী মেচ অদুগী অহৌবা মিনটতা সর্বিয়াগী মায়কৈদগী অলেকজেন্দর মিত্রোবিচনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা স্বিজরলেন্দবু মাঙজিল থাদুনা চংথি।*
>
> *পনবা য়াই, স্বিজরলেন্দগী অহানবা মেচতা ব্রাজিলগা শান্নবদা দ্রো চংথিবা মেচ অদুগী শান্নরোয়শিং অদুমক টিম অদুগী কোচ ভ্লাদিমির পেটকোভিচনা শান্নহনথি। সর্বিয়াগী টিমগী অহানবা মেচতা মখোয়না কোষ্টা রিকাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদা পোইন্ট ৱাংনা ফংদুনা লাকথি। মায় পাক্লবদি টিম অদু প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লগনি।*

| GROUP - A | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Russia | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 1 | +7 | 6 |
| 2 | Uruguay | 2 | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | +2 | 6 |
| 3 | Egypt | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 4 | -3 | 0 |
| 4 | S. Arabia | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 6 | -6 | 0 |

| GROUP - B | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Portugal | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 3 | +1 | 4 |
| 2 | Spain | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 3 | +1 | 4 |
| 3 | Iran | 2 | 1 | 0 | 1 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| 4 | Morocco | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |

| GROUP - C | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | France | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 1 | +2 | 6 |
| 2 | Denmark | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | +1 | 4 |
| 3 | Australia | 2 | 0 | 1 | 1 | 2 | 3 | -1 | 1 |
| 4 | Peru | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |

| GROUP - D | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Croatia | 2 | 2 | 0 | 0 | 5 | 0 | +5 | 6 |
| 2 | Nigeria | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 3 | Iceland | 2 | 0 | 1 | 1 | 1 | 3 | -2 | 1 |
| 4 | Argentina | 2 | 0 | 1 | 1 | 1 | 4 | -3 | 1 |

| GROUP - E | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Brazil | 2 | 2 | 1 | 0 | 3 | 1 | +2 | 4 |
| 2 | Serbia | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 3 | Switzerland | 1 | 1 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 4 | Costa Rica | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 3 | -3 | 0 |

| GROUP - F | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Mexico | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 2 | Sweden | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 3 | S. Korea | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 4 | Germany | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

| GROUP - G | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Belgium | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 0 | +3 | 3 |
| 2 | England | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Tunisia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 4 | Panama | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 3 | -3 | 0 |

| GROUP - H | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| 1 | Japan | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 2 | Senegal | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Poland | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 4 | Colombia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |

## মণিপুর অমসুং টামিল নাদু ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) ঃ ছটিশগরগী রাইগরদা লৈবা জিন্দাল ষ্টিল প্লান্ট ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া সভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ফাইনেলদা মণিপুর অমসুং টামিল নাদু থেঙ্গাইনরগনি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদগী দিবিয়াং সী পি হেন্দিকেপ পেরা দিফরেন্টলি এবল শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া সভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী অহানবা মেচ ওইনা মণিপুর অমসুং অসাম শান্নগদবা মেচ অদু অসাম লাক্তংবদগী মণিপুরনা বাই ফংখি।

সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা মণিপুর অমসুং রাজস্থান শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ১৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ৬ এ বিলু রোয়না চনখিবা গোল অদুনা রাজস্থানবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা মণিপুর ফাইনেল চঙখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা মণিপুরগা টামিল নাদুগা থেঙ্গাইনরগনি হায়রি।

## মণিপুরগী নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী অচৌবা ইথিল পুদুনা লৈরি : গভর্ণর নাজমা হেপ্তুলা




ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : চুড়াচান্দপুরগী লমকা পব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি রাজা গৌখোথাং গুইতে ফুটবোল মেমোরিএল ২০১৮ লোইশিনবা নুমিৎকী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপ্তুলানা ষ্টেট অসিদা নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী অচৌবা ইথিল পুদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রোপিয়ান ফাউন্দেসন ত্রষ্টনা রাজা গৌখোথাং গুইতে নীংশিংবা ওইনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা য়ুনাইটেদ ছিক্কিম ফেদরেসন্না অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণর নাজমা হেপ্তুলানা চীফ গেষ্ট ওইদুনা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদা, শান্ন-খোৎনবনা নহা ওইরিবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ৱাখলদা অফবা লমচৎ থম্মনবগী খুদোংচাবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

শান্ন-খোৎনবনা থবক খুদিংমক চুম্না য়েংবা, হায়বা ইনবা অমসুং মশান্না মশাবু শেমগৎচনবগী লম্বেল অমা উৎপা ঙম্লি হায়বগা লোয়নন্না মফম অদুদা লৈরিবা ট্রাইবেল কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা রাজা গৌখোথাংনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা পুখৎলম্বা থৌদাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মখা তানা গভর্ণরনা মণিপুর ষ্টেট অসি ইন্দিয়াগী শান্ন-খোৎনবগী পাৱর হাওসনি হায়না খঙনরিবা ৱাফম অদু নীংশিংদুনা মহাক্না হৌখিবা থা খরা অসিদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খরা কোয়না চৎলুবদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা নহারোলশিংনা থৱায় য়াওবা অদু উরকখিবদা নত্তনা অপেনবা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবদা নত্তনা নহারোলশিংনা মখোয় মখোয়না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুদা মীকোক থোংবা ঙম্নবগী ইথিল অদু থমগদবনি হায়খি।

ফুটবোল মেমোরিএল অদু লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হাঙ্খালিয়ান, কোওপরেটিভকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জে সী রামথাঙ্গা, চুড়াচান্দপুরগী দি সী শ্যামলাল পুনিয়া অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

### অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ২০১৮

## জি ফোর হৈরোক-এ ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : সোসল দিভলপমেন্ট এথলেটিক য়ুনিয়ন (এস দি এ য়ু) তেকচম্না শীন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা মায় পাক্তুনা জি ফোর হৈরোক-এ ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা এস দি এ য়ু ট্রোফি ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী জি ফোর হৈরোক-এ অমসুং জি ফোর হৈরোক-বি শান্নখি।

অহানবা হাফকী অহুমশুবা মিনটতা জি ফোর হৈরোক-এগী জর্সি নম্বর ৫ বিপিন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা জি ফোর-এগী জর্সি নম্বর ৭ কৃষ্ণনন্দনা মহাক্কী টিমগী গোল অমগা চনশিল্লগা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জি ফোর-এনা গোল ২-০দা মাঙজিল থানা চংখি।

অনীশুবা হাফকী ২৬শুবা মিনটতা জি ফোর-এগী কৃষ্ণনন্দনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-০দা লৈখি। মেচকী ২৭শুবা অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা জি ফোর-বিগী জর্সি নম্বর ৪ থোইবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ রোবিনসন্না জি ফোর-এগী গোল অনী হন্দোক্তুনা মেচ অদু জি ফোর-বিনা গোল ২-৩দা লৈখি। জি ফোর-এগী মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জি ফোর-বিগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা হন্দোক্নবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা জি ফোর হৈরোক-এনা গোল ৩-২দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

### ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## সোনালিকা এফ সী অমসুং শম্ফাবি এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অথোকপম ফুটবোল ক্লব, অথোকপম্না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙ অমসুং শম্ফাবি এফ সী সাপম মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙ অমসুং বোলেরো এফ সী শিংজমৈ বামোন লৈকায় শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু ০-০দা লৈখি। মেচকী ১৪শুবা মিনটতা বোলেরো এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ টাইসন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ১৬শুবা মিনটতা সোনালিকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ নবনা বোলেরো এফ সীগী গোল অদু হন্দোক্তুনা গোল ১-১দা ইক্কেলাইজ তৌখি। গোল ইক্কেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক য়াঙনা শান্নরকখি। মেচকী ১৯শুবা মিনট অমসুং ২১শুবা মিনটতা সোনালিকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১২ তোমারজিৎনা গোল অনী মথং মথং চনশিল্লগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সোনালিকা এফ সীনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা বোলেরো এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা সোনালিকা এফ সীনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্নবা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকখি। সোনালিকা এফ সীগী মায়কৈদগীসু বোলেরো এফ সীনা চখুরক্লিবা এটেক কয়া অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা লাকশিন্না শান্নবা উখি।

মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা সোনালিকা এফ সীগী নবনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা সোনালিকা এফ সীনা বোলেরো এফ সীবু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী বোবি এফ সী পাৎশোই অমসুং শম্ফাবী এফ সী সাপম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী শম্ফাবী এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ২৮শুবা মিনটতা শম্ফাবী এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ সঞ্জিপনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৩১শুবা, ৩৮শুবা অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা শম্ফাবী এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ কৃষ্ণনন্দনা গোল ৩ মথং মথং চনশিল্লগা হেটট্রিক লৌদুনা মহাক্কী টিম্না গোল ৪-০দা মাঙজিল থাহনবদা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা বোবি এফ সীগী মায়কৈদগী শম্ফাবী এফ সীগী গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ বিগী এম পি এস সী পাঙ্গৈ অমসুং দল্লিয়ু এফ সী মোইরাংখোম শান্নগদবা মেচ অদু খুদোংচাদবদগী য়ৈথোকখ্রে।

HL-B/4682/7,9,11,13,15,18,20,21,23,25




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com